# লেবরদা অনৌবা এন্টি-প্রোটেষ্ট লোশিং রিপিল তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা অকনবা প্রেসর লৈরে

**লন্দন, মে ৯ (এজেন্সী):**




বৃটেনগী মরু ওইবা পার্টি অমা ওইরিবা লেবর পার্টি হৌজিক অনৌবা এন্টি-প্রোটেষ্ট লোশিং রিপিল তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদা অকনবা প্রেসর লৈরে। লেবরগী এমপি খরনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম খরা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মরু ওইবা ৱেষ্ট মিনিষ্টর ওপোজিসন পার্টি পুন্নমক্লা পার্টি অসিদা লোশিং অসিগী মতাংদা অশেংবা ফিরেপ অদু খঙহন্নবা তকশিল্লকপদগী হৌজিক পার্টি অসি অনৌবা এন্টি প্রোটেষ্ট লোশিং অসিবু রিপিল তৌগনি নত্ত্রগা তৌরোই হায়বগী মতাংদা ফিরেপ অমা উত্তবা য়াদবগী ফিভম লাক্লিবনি হায়রি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা নিংথৌ চার্লস লুহূপ উপ্পগী মতম মাঙওইননা মেট্রোপোলিটান পুলিসনা রিপব্লিকান কেম্পেইন্নরশিংবু পাত্তক্লনা ফাগৎখিবা মতুংদা প্রোটেষ্ট চথবা য়াবগী রাইটতা রেষ্ট্রিক্সন থম্বগী ৱাফম অসি খন্নদবা য়াদবগী ফিভম লাক্লিবনি। মেট্রোপোলিটান পুলিসনা রিপব্লিকান কেম্পেইন্নরশিং ফাখিবা অদুবু পাত্তক্লনা ক্রিটিসাইজ তৌনখিবনি। সেদো মিনিষ্টর অনীনা অনৌবা লোশিং অদু লেবরনা রিপিল তৌগনি হায়বা ফিরেপ অমা লৌরে হায়বসি চপ চানা ফোঙদোকউ য়াদবদগী পার্টি অসিদা মরু ওইবা ৱেষ্ট মিনিষ্টর ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা প্রেসর পীরকপনি।

এল দি সি রেদিওগী প্রোগ্রাম অমদা লেবরগী সেদো ফোরেন সেক্রেটরি দেবিদ লামীদা কোল্লর অমনা লেবরনা গভর্ণমেন্ট পায়রকপা মতমদা পব্লিক বোর্দর এক্ট রিপিল তৌগদ্রা হায়না হংখিবনি। এক্ট অদু নিংথৌ চার্লস লুহূপ উপ্পগী থৌরম পাঙথোক্কদবা নুমিৎ মরিনিগী মাঙওইননা রোয়েল এসেন্ট পীখ্রবনি।

মদুগী পাউখুম ওইনা লামীনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না কঞ্জার্বেটিব লেজিসলেসন পুন্নমকপু নৈনবা অমদি য়ানিংদবশিং য়াওরম্লবদি মখোয়বু রিপিল তৌদুনা ঐখোয়গী ইথৌ ওইনা লৈবদি ঙম্লোই। তশেংনমক মখোয়গী লেজিসলেসন পুন্নমক নৈনবা অমদি তঙাই ফদবা ওইরগনা রিপিল মথৌ তাগদবা ওইরবদি মদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মতম য়াম্না লৌগনি। ঐখোয় পোজিটিব এজেন্দা মথৌ তাই। সেদো পব্লিক হেল্‌থ মিনিষ্টর অন্দ্রু গাৱিননা স্কাই ন্যুজতা হায়খি, মদুদি লেবর গভর্ণমেন্টনা মসিগী লেজিসলেসন অসি কুপ্পা য়েংশিনগনি। রিপব্লিকান কেম্পেইন্নরশিংবু ফাখিবা পুলিসকী থৌওং অদু কা হেনমল্লি হায়না ঐখোয়না লৌই। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা পার্টি অসি অনৌবা এন্টি প্রোটেষ্ট লোশিং অসি রিপিল তৌবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোকউ হায়বদি য়াখিদে।

পনবা য়াবদি, এক্ট অসিনা পুলিসতা প্রোটেষ্টশিং য়াম্না ঙন্না থিংজিনবগী পৱার পীবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংনা হেক হেক চথুবা টেক্টিস ওইরিবা 'স্লো মার্চিং' অসিসু য়াহন্দবগা লোয়ননা অতৈ মীওইশিংদা অয়েৎ অপন পীরিবা অমদি বিল্ডিংনচিংবশিং থিংজিল্লিবা দিমোন্সট্রেটরশিং পনখৈ লৈতনা ফাইন তৌবা য়াহনবগা লোয়ননা মখোয়বু থা তরুক জেলদা লৈবগী চৈরাক ফঙবা য়াহল্লিবনি।

লিবরেল দিমোক্রেটসকী হোম এফিয়র্স স্পোক্স পার্সন অলিষ্টের কামিকেলনা হায়খি, মদুদি অনৌবা পৱারশিং অদু য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওই অমসুং মথৌ তাদে। মখোয়বু শৌগৎলিবা পার্টিশিং অদু সিভিল লিবর্টিশিং শৌগৎপা পার্টি ওইদবনা মখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা ৱাখল খন্থগদবনি। গ্রিন পার্টিগী এমপি কেরোলিন লুকাসনসু করিগুম্বা লেবরনা ফন্দামেন্টেল হ্যুমেন রাইটসকীদমক লেপ্পবা ওইরবদি তশেংনমক মদু য়াম্না লাইবক থীবা হায়বদু ওইগনি হায়খি।

# টাইৱাননা য়ুএসকা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী খুৎলায় পেকেজগী ৱারী শানরি

**টাইপৈ, মে ৯ (এজেন্সী):**



খুৎলায় প্রোক্যুমেন্টশিংদা থিন্থখিবগী কন্সেসন ওইনা টাইৱাননা চহী অসিদা ৱাশিংতনদগী দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী খুৎলায় পেকেজ ফঙলগনি হায়না থাজে হায়বা ৱাফম ঈথৎ অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে। মশানা লৈঙাকচরিবা দিমোক্রেটিক ঈথৎ অসি চাইনানা লান দারক্কনি হায়বগী অকিবগা লোয়ননা লৈরিবনি।

পনবা য়াবদি, চাইনানা টাইৱানবু লৈবাক অসিগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি ফোর্স শীজিন্নরগা ফাওবা লৌশিনগনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি।

বৈজিংনা টাইৱানবু চৈ থাংবা অমদি ঈথৎ অসিগী মায়োক্তা মিলিটরি পাঙ্গল উত্তুনা কিহনবগী থবক হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ঈথৎ অসিগী মরু ওইবা মীচং ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা টাইৱান পোলিসি এক্ট এপ্রুভ তৌখি। এক্ট অসিনা টাইপৈদা দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী মিলিটরি মতেং পীবা য়াহনগদৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং ঈথৎ অসিদা খুৎলায় দেলিভর তৌবদা থিন্থৈ হায়বগী রিপোর্ট কয়া লৈখি। টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্টর চিয়ু কো-চেনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ৱাশিংতন্না টাইপৈদা পীগদবা তোঙানবা ফার্ষ্ট ট্রেক্টকী খুৎলায় পেকেজ অমা খন্নরি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

মিলিটরি এইদ পেকেজ অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা হংবদা চিয়ুনা লো মেক্করশিংদা হায়খি, মদুদি দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী পেকেজ পীবগী ৱাফম লাক্লিবসি ঐখোয়গী খুৎলায় প্রোক্যুমেন্টদা থিন্থবা নত্ত্রগা দেলিভরিদা থেংবনচিংবা লৈখিবগী য়েংলগা ঐখোয়দা খুদক্তা পীবা য়াবা দিফেন্স আইটেমশিং সপ্লাই তৌবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগী পান দমদনি। মদু চহী অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী পেকেজ অদু মমাঙগী খুৎলায় লৈবা য়োনবশিংগী মনুং চন্দে অমসুং টাইৱাননা য়ুএসতা প্রাইওরিটি আইটেমশিং ফঙগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। অদুম ওইনমক মহাক্লা দোল্লর মিলিয়ন ৫০০ গী খুৎলায় পেকেজ অদুদা করম্বা মখলগী ইক্বিপমেন্টদা প্রাইওরিটি পীগনি হায়বদুদি পনখিদে। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবদগী ষ্টিঙ্গর এন্টি-এয়রক্রাফট মিসাইলশিং ৱাৎলকপদগী মমাঙগী চহীদা টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মহুৎ শিনবা য়াবশিং খন্নরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

## জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্ট এরিয়াদগী মীওই চা কয়া হোন্দোকখ্রে

**কিভ, মে ৯ (এজেন্সী):**

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা চথুরিবা এটেক কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুগী সিটি অনীদগী মীওই ১৭০০ রোম হোন্দোকখ্রে হায়রি।

মোস্কোনা থম্বা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মনাক্তগী অঙাং ৬৬০ য়াওনা পুন্না মীওই ১৬৭৯ হোন্দোকখি। রসিয়ন ওফিসলশিংনা অনকপা মফমশিংদগী মী হোন্দোকপা হৌখিবগা লোয়ননা য়ুএনগী ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক্কী হেদনা থাংজ নুমিত্তা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খি, মদুদি য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র ইনর্জি প্লান্ট অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা ফিভম অদু হৌজিক য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরক্লে।

পনবা য়াবদি, য়ুক্রেননা জাপোরিজিয়া রিজন য়াওনা রসিয়ানা পায়শিল্লিবা লম অমুক হন্না লৌশিন্নবা মতম শাংনা ঙাইরক্লবা কাউন্টর ওফেন্সিব অমা থুনা হৌরগনি হায়না থাজনরিবনি। রসিয়ানা থম্বা জাপোরিজিয়া রিজনগী গভর্ণর য়িবগেনি বলিস্কিনা মহাক্কী টেলিগ্রাম মেসেজিং চেন্নেলদা হায়খি, মদুদি হোন্দারকখিবা মীওইশিং অদু টেম্পররি একোমোদেসন সেন্টরদা লৈহনখ্রে। সেন্টর অদু জাপোরিজিয়া রিজনগী বর্দিয়ান্সতা লৈবা ফ্রন্ট-লাইন টেরিটরিশিংগী রেসিদেন্টশিংগীদমক্তা লিংবনি। বর্দিয়ান্স অসি সি ওফ অজোবকী সমুদ্র মপানদা লৈবা য়ুক্রেনগী খা নোংপোক থংবা পোর্ট সিটি অমনি। মদু কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারীদা মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী অঙনবা মতমদগী রসিয়ানা পায়শিন্দুনা লাক্লিবনি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী পুশিল্লকপশিং মমল হোংবদগী থাইলেন্দগী গঞ্জা য়োনবশিং ৱানরে

**বেঙ্কোক, মে ৯ (এজেন্সী):**




শেল থুম নুংঙাইহল্লগনি হায়বা গভর্ণমেন্টগী ৱাফমশিংগী মরক্তা থাইলেন্দনা লৈবাক অসিদা গঞ্জা থাবা অমদি য়োনবা অসি লোনা য়াহনখিবা চহী অমরোম হৌখ্রবা মতুং অসিদা লৈবাক অসিগী গঞ্জা থাবশিং অমদি অয়োনবশিংনা মখোয় য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী লোনা য়াদবা মওংদা গঞ্জা পুশিল্লকপা অসিনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মখোয়গী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা থাদুনা পুথোক্লিবা গঞ্জাগী মমলগী ফেক্সন অমখক্লা ইল্লিগেল ইম্পোর্টশিং অদু লৈবা য়াই।

থাইলেন্দগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টর অনুতিন চানবীরাকুলনা কিংদম অসিবু মেদিকেলগী হিরমশিংগা মরী লৈননা গঞ্জাগী গ্লোবেল হব অমা ওইহন্নবা অচৌবা কেম্পেইন অমা চথুরবা মতুং কুমজা ২০২২ গী জুনদা লৈবাক অসিনা গঞ্জা অসি মসিগী অথিংবা থম্বা নার্কোটিক্সকী লিষ্টতগী লৌথোকখি।

তৌইগুম্বসুং থাইলেন্দগী পার্লিয়ামেন্টনা হৌজিক ফাওবদা মতম শাংনা ঙাইনরক্লবা গঞ্জাগী বিল পাস তৌদবনা ইন্দষ্ট্রি অসিগা মরী লৈনবা রেগ্যুলেটরি ফ্রেমৱার্ককী চপ চাবা মশক অমা পুথোকপা ঙমদনা লৈরিবনি। লোকেল বিজিনেসশিংনা হায়রিবদি মপানগী শেলনা লৈরিবা গেপ অদু মেনশিল্লক্লি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা দিস্পেন্সরি কয়ানা য়ুএসতগী লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লক্লিবা মমল হোংবা গঞ্জাশিং শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌরকপদগী ফিভম অসি লাক্লিবনি।

লৈবাক অসিগী গঞ্জাগা মরী লৈনবা ওন্ট্রাপ্রেনরশিংগী মতুং ইন্না মপানগী ব্রোকরশিংনা লোকেল দিস্পেন্সরিশিংদা লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লকপা, টেক্স লৌদবা অহোংবা গঞ্জা শীজিন্ননবা তক্লদুনা লৈরিবনি।

মখোয়না পোৎশকশিং অদু অসুম্না তক্লরবা মতুংদা ওরিজিনেল মমল অদুদগী শরুক অনীদগী মঙা ফাওবা হেনগৎলগা য়োল্লি। বেঙ্কোক্তা লাইসেন্স য়াওবা দিস্পেন্সরি কয়া চল্লাইরিবা ওন্ট্রাপ্রেনর প্রাজিয়া ঔরক-একনা হায়খি, মদুদি লৈবাক অসিদা থাদুনা পুথোকপা ষ্ট্রেন্থ অমা গ্রামদা বাট ৩০০ হায়বদি দোল্লর মাপনদা য়োনবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মপানদগী টেক্স য়াওদনা লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লকপা গঞ্জাশিং অদুদি গ্রামদা শুপ্নগী বাট ১৫০-১৮০ দমক হায়বদি দোল্লর ৪.৫০ দগী ৫-৩০ দমক পী হায়না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। নুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়গী থাই অমসুং অতৈ নেসনেলিটি অনীমক্কী ব্রোকরশিংনা য়াম্না থৱায় য়াওনবা বিজিনেস ওইবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা গঞ্জা অসি তশেংনমক মল্টি নেসনেল বিজিনেস অমা ওইরি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

প্রাজিয়াগী মতুং ইন্না ব্রোকরশিংনা মঙোন্দা তম্লকখিবদা প্রদক্ট অদু ফর্নিচর অমসুং হৈ-রা নত্ত্রগা মনা মশিংগী কন্টেন্নরশিং শীজিন্নরগা লোন্না পুশিল্লকই। মরম অদুনা কষ্টমসনা স্কেন্নিং তৌবা মতমদা মখোয়না কন্টেন্নরশিং অদুদা গঞ্জা য়াওই হায়বসি খঙবা ঙমদে। থাইলেন্দগী লো মখাদা পোথানবা গঞ্জা শীজিন্নবা অসি হৌজিকসু থিওরিদদি ইল্লিগেল ওইরি। অদুম ওইনমক এনফোর্সমেন্টগী থবক য়াম্না কনবা ওইদবগা লোয়ননা গঞ্জাগী দুকানশিং অমসুং ষ্টোলশিং লৈবাক অসিগী মরু ওইবা টাউন অমসুং সিটিশিংগী ষ্ট্রিট কোর্নর খুদিংমক্তা লৈ।

# পাকিষ্টানগী হান্নগী পিএম ইমরান খান ইস্লামাবাদকী কোর্ট অমদগী ফাখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মে ৯ (এজেন্সী):**

পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান করপসনগী মরালশিংগা মরী লৈননা ইস্লামাবাদতা লৈবা কোর্ট অমদা পুথোক্লিঙৈ মনুংদা ফাখ্রে। থা কয়া চুপ্পা পোলিটিকেল ৱাথোক অমা থোক্তুনা লাক্লবা মতুংদা মহাকপু কোর্ট এপিয়ারেন্স মনুংদা ফাখিবনি।

খানগী পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিগী লিদর মুসরাট জমসেদচিমানা অল জাজিরাদা ফোঙদোকখিবদা খান লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফাখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

মহাক্লা বাইওমেট্রিক্স প্রোসিজর চথুনবা হোৎনরিঙৈদা পেরা মিলিটরি ফোর্স রেঞ্জর্সকী টিম অমনা মহাকপু পিক অপ তৌখিবনি হায়না চিমানা ফোঙদোকখি।

ইস্লামাবাদতা টোপ পুলিস ওফিসল অমা ওইরিবা অকবর নাসির খাননা অল জাজিরাদা হায়খি, মদুদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খান অল-কাদির ট্রষ্টকা মরী লৈনবা কেস অমদা ফাখিবনি। কেস অদুগা মরী লৈননা এন্টি-করপসন নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা মে ১ দা খানগী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখি।

হৌখিবা চহীসিদা লৈঙাক্কী পৱারদগী লৌথোকখিবদগী খানগী মায়োক্তা মরাল কয়া শীখি। মরালশিং অদু মহাক্লা য়াখিদবগা লোয়ননা অদুগুম্বা মরালশিং অদু পোলিটিকেল ইথিলদগী শিরকপনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি।

ইমরান খানগী উকিলনা রেঞ্জরশিং অদুবু খানগী মকোক্তা ফুবা অমদি মহাকপু কাউবনচিংবা তৌখি হায়না মরাল শীখি। ইস্লামাবাদ হায় কোর্টতা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগা লোইনখিবা উকিল গোহর অলি খাননা ভিদিও পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি রেঞ্জরশিংনা নম্ফুদা চঙলকখি অমসুং মখোয়না কাগী থোঙ অমসুং থোঙনাও নমখায়খি।

মখোয়না ইমরান খানবু মহাক্কী হ্বিল চিয়রদগী নমদুনা চিংখৎপগা লোয়ননা মহাক্কী মকোক্তা ফুখি অমসুং মহাকপু খোঙনা কাউখি।

উকিল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চরাংনবা মরক্তুদা মহাক লৈমায়দা ফাওবা হাইথখি। রেঞ্জরশিংনা মহাকপু পেপ্পর তৌখি অমসুং মফমদুদগী পুথোকখি। অলি খানগী মতুং ইন্না খানবু ফাখিবা কা অদুগী মনুংদা পুলিস ওফিসল অমত্তা লৈখিদে। পি টি আইগী লূচিংবা অমা ওইরিবা ফাৱট চৌধরিনা ট্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি ইস্লামাবাদ হায় কোর্টকী কমপ্লেক্স অদু রেঞ্জরশিংনা ওক্যুপাইদ তৌবগা লোয়ননা উকিলশিংবু মখোয়না ওৎ নৈবগী থবক চথুরে।

লোকেল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিও ফুটেজতা খানবু রেঞ্জরগী ভেহিকল অমদা ঙাক শেন্দুনা পুশিনবা অমদি মহাকপু চপ চানা খঙদবা মফম অমদা পুবগী শক্তম উখি।

খান ফাখ্রবা মতুংদা পি টি আইগী ওফিসলশিং সপোর্টরশিংদা লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট চথনবা আপিল তৌখি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মণিপুরদগী বেঙ্গলি ২৫ পুথোকখ্রে

**কোলকত্তা, মে ৯ (এজেন্সী):**

ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ইম্ফালগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুট অমদা এগ্রিকলচরদা গ্রেজুএসন, পোষ্ট-গ্রেজুএসন অমসুং পি এচ দি তৌরিবা মহৈরোয় ১৮ য়াওনা পুন্না বেঙ্গলি ২৫ নিংথৌকাবা নুমিত্তা অখন্ননা এরেঞ্জ তৌবা ফ্লাইট অমদা কোলকত্তাদা পুথোরক্লে হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী মহৈরোয়শিং অদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.১৫ রোম তাবদা কোলকত্তা এয়রপোর্টতা হেক থুংখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা ট্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা মখোয় অশোয় অঙাম য়াওদনা থুংলরে হায়না ফোঙদোকখি।

নবানাদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা বেনর্জিনা হায়খি, মদুদি হৌজিক ফাওবদা নবানাগী কন্ট্রোল রুমদা মণিপুরদগী ঐখোয়দা দিষ্ট্রেস কোর্ট ১৮৫ লাক্লে।

ইম্ফালগী সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় ১৮ য়াওনা ঐখোয়না মীওই ২৫ বেঙ্গলদা ফ্লাইটকী খুথাংদা পুশিল্লক্লে। দিষ্ট্রেস কোর্টশিং ফঙবা তারবদি ঐখোয়না খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। দিষ্ট্রেস কোর্টশিং অদু ফঙলবা মতুংদা ঐখোয়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট কন্টেক্ট তৌদুনা বেঙ্গলিশিং অদুবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপীনবা হায়জখি। বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা মণিপুর গভর্ণমেন্টগা তত্তনা পাউ ফাওনৈ অমসুং মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা বেঙ্গলিশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা হেন্দোরকপদা মতেং পাঙবীনবা ঐখোয়না হায়জখ্রে।

মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওদনা লাকহনবদা মতেং পাঙবীনবা ঐখোয়না ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসকসু পাউ ফাওনরি।

চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা মখা তাখিবদা মহাক্কী ষ্টেটনা হৌজিক মণিপুরদগী অহেনবা বেঙ্গলি মহৈরোয় ৬৮ হোন্দোক্লবগী প্রোসেসসু চথুরি। মখোয়গী মনুংদা মহৈরোয় ২৩না রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকীনি, ১৪ না মণিপুর নেসনেল স্পোর্টস একাদেমিগীনি, মঙানা মণিপুরদা তম্বশিংনি, ১৩ না এন আই টিদা তম্বশিংনি অমসুং তরেৎনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনি অমসুং তরুক্লা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী মহৈরোয়শিংনি।

ঐখোয়না মণিপুর গভর্ণমেন্টদা মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওদনা লাকহনবীনবা হায়জরি।

চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা মণিপুরদা মীপায়না খাঙলিবা বেঙ্গলিশিংনা নবানাগী কন্ট্রোল রুমদা কোল তৌননবা আপিল তৌবগা লোয়ননা বেঙ্গল ফাওরগা অতৈ ষ্টেটশিংদা চৎকদৌরিবশিং অদুগীদমক্তা মহাক্কী ষ্টেটনা লৈনবা অমদি অতৈ ফেসিলিটিশিং এরেঞ্জ তৌরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# কর্নাটকাদা মুস্লিম ক্লোটা মুখৎপগী মতাংদা পোলিটিকেল ষ্টেটমেন্ট পীবা য়ারোই: এস সি

**ন্যু দিল্লি, মে ৯ (এজেন্সী):**



কর্নাটকাদা মুস্লিমশিংদা ক্লোটা চাদা ৪ পীবগী থৌশিল ৱিদ্রো তৌবগী ৱাফম অসি কোর্টনা খন্নরিবনি হায়রদুনা হিরম অসিগী মতাংদা থোক্লিবা পোলিটিকেল ষ্টেটমেন্টশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা কন্না য়ানিংদবা উৎখ্রে।

কোর্ট অসিগী সেঙ্কটিটি মেন্টেইন তৌবা মথৌ তাই হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। জষ্টিসশিং কে এন জোসেফ, বি ভি নগারথনা অমসুং আশান উদ্দিন অমানুলাসকী বেঞ্চ অমনা হায়খি, মদুদি মেটর অদু কোর্টনা খন্নরিঙৈ অমসুং কর্নাটকাদা মুস্লিম ক্লোটা পীবগী মতাংদা কোর্টকী ওর্দর লৈরিঙৈদা ইস্যু অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোক্লোইদবনি। মসি এপ্রোপ্রিয়েট ওইদে। কোর্ট অসিগী সেঙ্কটিটি খরা মখৈ মেন্টেইন তৌফম থোকই।

মুস্লিমশিংদা ক্লোটা চাদা ৪ পীবা অসিবু মুখৎপদা চেলেঞ্জ তৌরিবা পিটিস্নরশিংগী মহুৎ শীল্লিবা সেনিয়র এদভোকেট দুসেন্ট দাবিনা হায়খি, মদুদি নুমিৎ খুদিংগী হোম মিনিষ্টরনা কর্নাটকাদা মুস্লিমশিংগী ক্লোটা চাদা ৪ অসি মখোয়না ৱিদ্রো তৌরে হায়না ষ্টেটমেন্ট পীদুনা লৈরি। অসিগুম্বা ষ্টেটমেন্টশিং অসি মখোয়না করিগী পীরিবনো।

কর্নাটকা গভর্ণমেন্টগী মহুৎ শীল্লিবা সোলিসিটর জেনরেল তুসের মেহাতানা অসিগুম্বা ষ্টেটমেন্টশিং কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা পী হায়বসি ওবজেক্সন তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোকই হায়বসি মহাক খঙদে অমদি কনাগুম্বনা লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইরগা ক্লোটা পীবসি তৌরোইদবনি হায়বা লৈরবদি মদুদা অরানবা অমত্তা লৈতে অমসুং মদু ফেক্ট অমনি।

জষ্টিস জোসেফনা মহাক্কী ৱারোল অদু তারবা মতুংদা হায়খি, মদুদি সোলিসিটর জেনরেলনা কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট অমা পীবা হায়বসি প্রোব্লেম অমা নত্তে। তৌইগুম্বসুং কোর্টকী ৱাংমদা সব-জুদিসি ওইবা মেটর অমগী মতাংদা ৱা ঙাঙবা হায়বসি তৌফম থোক্তে অমদি চুমদে হায়বনি।

কুমজা ১৯৭১ দা কোর্টকী ওর্দর অমগী মায়োক্তা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোকখিবগীদমক কুমজা ১৯৭১ দা পোলিটিকেল লিদর অমগী মায়োক্তা কন্টেম্প ওফ কোর্টকী প্রোসিজরশিং চথখি।

মেহাতানা হায়খি, মদুদি কোর্টনা দাবিবু কোর্টতা অসিগুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোকপদা অথিংবা পীবা মথৌ তাই। মসিগীদমক্তা কোর্টকী প্রোসিদিংসশিং চথখিগদবনি।

ৱাফম অসি তারবা মতুংদা বেঞ্চ অসিনা হায়খি, মদুদি কোর্ট অসিবু ঐখোয়না পোলিটিকেল ফোরম অমা ওইহনবা পামদে। ঐখোয় মদুগী পার্টি অমা ওইদে। অদুনা মেটর অসি এদজোর্ন তৌরগনি। হেক হৌরকপদা মেহাতা অমসুং বোকালিগাস অমদি লিংয়াটচ কম্যুনিটি মেম্বরশিংগী মহুৎ শীল্লিবা সেনিয়র মুকুল রোহাটিনা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অদু কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা মখোয়না য়াওবা সেম-সেক্স মেরিয়েজকী মতাংদা হিয়ারিং তৌরিবা ওইবনা মখোয়দা কোর্টনা খরমখৈ কোমথোকপীফম থোকই হায়খি।

বেঞ্চ অদুনা মদুগী মতুংদা মমাঙগী হিয়ারিংদা পাস তৌখিবা ইন্টরিম ওর্দরশিং অদু মখা তাবা ওর্দরশিং লৈত্রিবা ফাওবা চৎনখিগনি হায়খি অমসুং মেটর অদু জুলাইদা লৌখৎনবা লেপখি।

# 'কেরলা ষ্টোরি বেন তৌবা ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনদা চথুবা অচৌবা এটেকনি'

**ন্যু দিল্লি, মে ৯ (এজেন্সী):**

ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা 'ড কেরলা ষ্টোরি' হায়বা মোভি অসিবু বেন তৌখিবগী খোঙথাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফিল্ম মেক্কর অশোক পণ্ডিটনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মদু ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনদা চথুবা অচৌবা এটেকনি হায়খ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ট্রিনামুল কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা মরা তপ্পা ফিভম মেন্টেইন তৌবগী ৱাফম পনবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা ভাইওলেন্স অমদি হঙ্গোই তুক্কৎচনবগী শাথিরবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা 'ড কেরলা ষ্টোরি' ফিল্ম বেন তৌখ্রবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ফিল্ম মেক্কর পণ্ডিটনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ফিল্ম অদুবু বেন তৌবগী মতাংদা অকনবা রিএক্সন উৎলদুনা ইন্দিয়ন ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন দিরেক্তর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা পণ্ডিটনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা 'ড কেরলা ষ্টোরি' ফিল্ম অসিবু বেন তৌরিবসি ঐহাক্লা কন্দেম তৌই। মসি ফিল্ম মেক্কর অমগী ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনদা চথুবা অচৌবা এটেকনি। মসিনা লৈবাক অপুনবদা অরানবা সিগ্নেল অমা পীরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ফিল্ম অসিবু বেন তৌবা লৈবাক অসিগী অহানবা ষ্টেট ওইরিবনি। ফিল্ম অসিনা মীয়ামদা মরু ওইনা খঙহল্লিবদি লূহোং কৈহোংদুনা ইস্লাম লাইনিং লাইশোনদা লাইমিং লৌরবা মতুংদা আই এস আই এসকী কেম্পশিংদা লোন্না পুশিনখিবা নুপী অহুম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অদুনি। বি জে পিনা লৈঙাক্লিবা মধ্য প্রদেশ অমসুং উত্তর প্রদেশতা টেক্স-ফ্রি ওইহল্লবসু মুভি অসিগী মতাংদা পোলিটিকেলগী চরাংনবশিং মখা তানা থোক্লিবনি।

# মোন্সুন সিজনগী মাঙওইননা এন এফ আরনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে




**গুৱাহাটি, মে ৯ (এজেন্সী):**

লাক্কদৌরিবা নোংজুগী সিজনগী য়েংলগা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর) না থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা মতমদা মায়োক্লনবগী শেম শাবা ওইনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসাম, ট্রিপুরা, মণিপুর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং বিহারগী শরুক খরদা ফাওরিবা কিমি ৬,৪০০ কী ওইবা এন এফ আরগী রেলৱে ট্রেকশিং হৌখিবা থা খরা অসিদা মখোয়বু মপুং ফাবা জুরিসদিক্সনগা মরী লৈননা মোবিলাইস তৌখি।

এন এফ রেলৱে অসি লৱার হিমালয়ন চীংশিংগী মখোঙ পরিংদা লৈরিবা খুদোংচাদ্রবা মফমশিং ফাওবগা লোয়ননা মরক মরক্তা তুরেল কয়াসু ফাওরিবনি। তুরেলশিং অদু খ্বাইদগী কনবা নোংজুগী মতমদা চহীদা মিলিমিটর ৭০০০ ফাওবা চুদুনা ঈমায় কা হেন্না ৱাংনা অমদি শাফু কন্না চেল্লিবনি। ট্রেকশিং সেফগার্দ তৌনবা অমসুং ফিভম ফনা লৈহন্দুনা পেসেঞ্জরশিংগী সেফতিগী ৱাফম অদু শোকহন্দনবগী গেরেন্টি য়াওবা মপুং ফারবা থৌরাং অমা পুথোক্লে।

এন টি আরনা ইস্যু অসিগী মতাংদা মপুং ফারবা রেলট্রেক সেফতি অমা দিভলপ তৌরে। নোংজু থাগীদমক শেম শাবগী শরুক অমা ওইনা সেন্সিটিব লোকেসনশিংদা তৌফম থোকপা খোঙথাং অমা ওইনা মথৌ তাবা মেটরিএলশিং কলেক্সন তৌবা লোইরে। দ্রেনেজ সিষ্টেম ফগৎহল্লে। লোয়ননা থোঙগী মখাদা চেল্লিবা তুরেলগী ঈশিং নীংথিনা শেংদোক্লে অমদি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লেভেলশিং নীংথিনা মার্ক তৌরে।

এন এফ রেলৱেনা মসিবু কন্ট্রোল তৌবা কিমি ৬,৪০০ হেনবা রেল লাইনশিং চাং নাইনা মোনিটর তৌননবা পেট্রোল্লিং ক্রুশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপা থিংননবগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলবসু নোং কা হেন্না কন্না চুবদগী থোক্লকপা য়াবা প্রোব্লেম খুদিংমক কন্ট্রোল তৌনবা খঙহনখ্রে।

রেলৱে ট্রেকশিং সেক্যুর ওইহন্নবা পেট্রোল্লরশিংগী টিমশিং মফম চানা দিপ্লোই তৌখ্রে। মেটরিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী নোংগী এলার্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মসিগী ষ্টাফনা ট্রেকশিং কুপ্পা য়েংশিন্দুনা লৈ।